HUEIYEN LANPAO

# সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ মরী ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৪ (এজেন্সী):

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ মরি থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখ্রে।

চহী ৫গী মনুংদা অহানবা ওইনা এপেক্স কোর্টকী জজ মশিং শুনা লৈরে। অনৌবা জজ মরি ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টকী অপুনবা জজ ৩১ শুরে। মমাঙদা এপেক্স কোর্টকী অপুনবা জজ ২৭ লৈরম্বদগী কুমজা ২০০৮দা পার্লিয়ামেন্টনা জজ মশিং হেনগৎহন্নবগী মতাং অয়াবা পীখিবনি।

ঙসি ৱাশক লৌখ্রবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মরি অদুদি জষ্টিস বি আর গবাই, জষ্টিস সুরিয়া কান্ত, জষ্টিস অনিরুধা বোস অমসুং জষ্টিস এ এস বোপানানি। ঝরখন্দ হায় কোর্টকী জষ্টিস অনিরুধা বোস অমদি গৌহাটি হায় কোর্টকী জষ্টিস এ এস বোপানাবু এপেক্স কোর্টকী জজ ওইনা খনবগী মতাংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৮দসু জষ্টিস কে এম জোসেফপু সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা খনবগী মতাংদা সেন্টরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক কোলেজিয়মনা ফিরেপ হোংখিদবা মরম্না মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা জষ্টিস কে এম জোসেফপু সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু সেন্টরনা পুখৎলকপা ৱাফম অমা সুপ্রিম কোর্টকী কোলেজিয়মনা ককথৎখি।

এপেক্স কোর্টকী জজশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না জষ্টিস বোস অমদি জষ্টিস বোপানাবু মেরিট, সিনিয়ারিটি অমদি হায় কোর্টতা মখোয়না লৌখবা থৌদাংশিং য়েংলগা এপেক্স কোর্টকী জজ ওইনা পুখৎনবা ফিরেপ লৌবনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজ খনবগী মতাংদা কোলেজিয়মনা হায় কোর্টশিংদা লৈরিবা চীফ জষ্টিস অমদি সিনিয়র জজ পুম্নমক্কী সিনিয়ারিটি য়েংবগা লোয়ননা মমাঙদা মখোয়না লৌখিবা থৌরাং কয়াগী রেকোর্দসু য়েংই। মশাগী চহী ৫৮ শুরবা জষ্টিস গবাইনা লৈবাক অসিগী মথংগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি। বোম্বে হায় কোর্টকী জজ ওইরম্বা মীওই অসি কুমজা ২০২৫দা সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুরগনি।

এপেক্স কোর্টকী অহুমশুবা দলিট ফুরুপকী জজ ওইরিবা মীওই অসি জষ্টিস কে জি বালাকৃষ্ণনগী মথংদা কাংলুপ অসিগী মরক্তগী সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইবা অনীশুবা মীশক ওইরগনি। হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরিবা জষ্টিস সুরিয়া কান্তনা কুমজা ২০২৫গী নবেম্বর থাদা জষ্টিস গবাইগী মহুৎ শীন্দুনা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।



# কোংগ্রেস মায়থীখ্রবা মতুংদা ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টশিং ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৪ (এজেন্সী):

লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস মায়থীখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টশিং ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্নরকখ্রে।

উত্তর প্রদেশ য়ুনিটকী লুচিংবা রাজ বাবর য়াওনা ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অহুমনা রাহুল গান্ধিদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্নরকখি। হন্দক্কী মীখলদা কোংগ্রেসকী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা গান্ধি ফেমিলিগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা উত্তর প্রদেশকী অমেথি পার্লিয়ামেন্টরী কন্সটিটুয়েন্সিদা ফাওবা কোংগ্রেস মায়থীখি।

পার্টি অসিনা অপুনবা সিট ৫২দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে। বি জে পিগী ওইনদি কুমজা ২০১৪দা ওইখিবা ফিভমদগী হেন্না ফগৎলক্তুনা সিট ৩০০ হেন্না ফংবা ঙমখি। কোংগ্রেসকী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিগী করনাটাকা য়ুনিটকী কেম্পেইন মেনেজর ঐচ কে পাতিল অমদি ওরিষাগী নিরঞ্জন পাটনাইক ফম থাদোকখি।

করাটাকাঅমদিওরিষাদাকোংগ্রেসনা সিট অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। অপুনবা সিট ৮০ লৈবা উত্তর প্রদেশতা রাহুল গান্ধিগী মচননুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা মফম কয়াদা ইলেক্সন কেম্পেইন চথখিবা তারবসু কোংগ্রেসনা সিট ১০ য়ৌনা ফংবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিগী রাইবরেলিদা সোনিয়া গান্ধিনা মায় পাকখি।

উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসনা চাওনা মায়থীবা ফংখিবগী মতাংদা রাজ বাবরনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, লুচিংবা মতিক চাদবদগী পার্টি অসি মায়থীখিবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্নবা ফিরেপ লৌরে। হান্না ফিল্ম কুল্লম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা রাজ বাবর মশামকসু ফতেহপুর সিক্রি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মায়থীবা ফংখিবনি।

অমরোমদা ওরিষা প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিতিগী প্রসিদেন্ট নিরঞ্জন পাটনাইকসু ফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হন্দক্কী লোকসভা অমসুং এসেমব্লী মীখলদা পার্টিনা মায়থীবা ফংখিবগা মরী লৈননা এ আই সি সিগী প্রসিদেন্টরাহুল গান্ধিদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে হায়না ভুবনেশ্বরদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা পাটনাইকনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসনা মীয়াম্বু থাজহনবা ঙমখিদ্রে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পার্টিগী থৌ পুরিবা মীওই পুম্নমক শীনে দাক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লবা মতুংদা মথংগী লোক সভা অমসুং এসেমব্লীগী মীখলদা মায় পাক্লবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।



# কোচিং সেন্টর মৈ চাকপদা মহৈরোই ১৯ শীখ্রে

সুরট, মে ২৪ (এজেন্সী):

গুজরাটকী সুরটতা লৈবা কোচিং সেন্টর অমা মৈ চাকখিবদা মহৈরোই ১৯ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক অপন নংখ্রে।

সরথানা এরিয়াদা মথোল মরী ৱাংবা বিল্ডিং অমগী মথক্তা লৈবা কোটচিং সেন্টর অমা মৈ চাকখৎলকপদা মহৈরোই কয়া বিল্ডিং মথক্তগী চোংথরকখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সুরটকী পুলিস কন্মিস্নর সটিস শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মহৈরোই ১৯ শীরে হায়না কনফার্ম তৌখি। অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা অরবান দিভলপমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী মুকেস পুরিবু সুরটতা চৎতুনা থৌদোক অদু হকথেংননা য়েংশিন্নবা য়াথং পীখি।

কোচিং সেন্টর মৈ চাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মহৈরোইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৪ পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, সুরটতা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মহৈরোই ১৯ লৈখিদবগী মতাংদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবশিং অথুবা মতমদা ফিভম ফগৎলকপা ওইরসনু। কোচিং সেন্টর মৈ চাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক অপন নংলবা মীওই পুম্নমক্তা গুজরাট গভর্ণমেন্টনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাঙগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



# সুপ্রিম কোর্টনা রজিব কুমারগী পিটিসন রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৪ (এজেন্সী):

সরাধা চিট ফন্দ স্কেম কেসকী মতাংদা ফাহন্দনবগী মতম নুমিৎ ৭নি শাংদোকপীয়ু হায়না কোলকতাগী পুলিস চীফ ওইরম্বা রজিব কুমারনা থাঙ্গৎলকপা পীটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, রজিব কুমারবু মে ১৭তগী পারগা নুমিৎ ৫নি ফাবা য়াদনবগী য়াথং অমা পীখিবা মতম শুরে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মরী লৈনবা কোর্টতা কেস অসিগী ৱাকৎ পুম্নমক থাঙ্গৎকদবনি। সুপ্রিম কোর্টতা পীশিল্লকখিবা পিটিসন অমদা রজিব কুমারনা হায়খি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা উকিলশিংনা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হেক লোইদ্রিবা ফাওবা মহাকপু ফাবা য়াদনবগী মতম শাংদোকহনবা মথৌ তাই।

পিটিসন অসিগী মতাংদা জষ্টিস অরুন মিস্রানা লুচিংবা ভেকেসন বেঞ্চ অমনা হায়খি, রজিব কুমারনা কালকতা হায় কোর্টনৎত্রগা ট্রায়েল কোর্টতা ৱাকৎ অসি থাঙ্গৎকদবনি। মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাকৎ অসিগা মরী লৈননা স্পেসল বেঞ্চ ফম্বগী ৱাফম য়াখিদ্রবনি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অহুম্না শাবা বেঞ্চ অমদা সি বি আইনা রজিব কুমার ফানবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়বা পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। মমাঙদা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা লুচিংদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চিট ফন্দ স্কেমগী মতাংদা থিজিনখিবা কুমারনা সি বি আইগী পিটিসন অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি ইনভেষ্টিকেটিং এজেন্সি অসিনা মতিক ময়াই পুম্নমক অরানবা মওংদা শীজিন্নবা হোৎনরে। কনবা য়াবদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক অমা মতম চানা থিংবা ঙমখিদে হায়বগীদমক ষ্টেট অসিদা এদিস্নেল দিরেক্টর জেনরেল ওইনা থৌ পুরম্বা কুমারব এপ্রিল থাদা মফম লৌথোকখিবনি।

# ইন্দিয়ানা ইরানদগী থাও লৈবা লেপখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৪ (এজেন্সী):

ইরাননা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম পায়খৎলি হায়বগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা ইরানদগী থাও লৈবা লেপখ্রে।

কুমজা ২০১৫দা টেহরান অমসুং মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক ৬কা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র একোর্দ অমদগী খোঙফম হন্দোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রব মতুংদা য়ু এসনা ইরানদা অথিংবা থমখিবনি।

ইরানগী শুংদোক্লিবা থাও পুম্নমক মপান লৈবাক্তা থাদোকপা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা য়ু এসনা মে ২দা হিরম অসিগা মরী লৈননা পীরম্বা খুদোংচাব পুম্নমক মখা তানা পীখিদ্রে। ৱাংশিংটননা লৌখৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিনা টেহরানদগী থাও লৈবা লেপ্পবা ফিরেপ লৌরে হায়না ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইনা য়ু এসতা লৈবা হর্স বর্ধন স্রিংলানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মমাঙদা ইন্দিয়ানা থা খুদিংগী থাও টন মিল্লিন ২.৫ রোম ইরানদগী লৈরম্মীএপ্রিল থাদদি টন মিনিল্লিয়ন অমখক লৈখি।তঙাইফদবা ফিভম অমা লাক্‌পদগী য়ুএসনান ইরানগী মথক্তা থম্লকখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা থাও লৈবগী চাং হন্থরে। মতম অমদ ইন্দিয়াগী মথৌ তাবা থাও চাদা ১০ সপ্লাই তৌরম্বনি।

ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লেপত্রিবা ফাওবা ইরানগী মথক্তা ট্রুম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা অথিংবা থমখিগদৌরি। য়ু এসগী অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা ইরানগী শেন্মীৎলোনদা চাওনা অকায়বা পীরকখিবগা লোয়ননা করেন্সিগী ভেল্যুসু তপ্না তপ্না হন্থরকখি।



# FINAL RESULT SHEET OF LOK SABHA ELECTION 2019

## OUTER MANIPUR PARLIAMENTARY CONSTITUENCY

| Name of Assembly Segment | No. of valid votes cast in favour of | | | | | | | | Total of valid votes | No. of rejected vote | NOTA | Total | No. of tendered votes |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | ANGAM KARUNG KOM | K. JAMES | THANGMINLEN KIPGEN | LORHO S. PFOZE | HOULIM SHOKHOPAO MATE @ BENJAMIN | ASHANG KASAR | HANGKHANPAU TAITHUL | LEIKHAN KAIPU | | | | | |
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | 8 | 9 | 10 | 11 | 12 | 13 | 14 |
| 33 - HEIROK | 54 | 9994 | 447 | 402 | 10328 | 4573 | 42 | 47 | 25887 | 0 | 173 | 26060 | 0 |
| 34 - WANGJING TENTHA | 63 | 11947 | 2608 | 1467 | 6670 | 479 | 241 | 75 | 23550 | 0 | 299 | 23849 | 0 |
| 35 - KHANGABOK | 72 | 20279 | 426 | 336 | 8449 | 152 | 68 | 39 | 29821 | 0 | 207 | 30028 | 0 |
| 36 - WABGAI | 75 | 13334 | 1451 | 1713 | 5573 | 1694 | 86 | 46 | 23972 | 0 | 200 | 24172 | 0 |
| 37 - KAKCHING | 72 | 7803 | 1383 | 692 | 8433 | 481 | 47 | 72 | 18983 | 0 | 429 | 19412 | 0 |
| 38 - HIYANGLAM | 49 | 7999 | 1991 | 382 | 7482 | 1563 | 115 | 41 | 19622 | 0 | 170 | 19792 | 0 |
| 39 - SUGNU | 57 | 9025 | 727 | 908 | 8250 | 313 | 83 | 60 | 19423 | 0 | 198 | 19621 | 0 |
| 40 - JIRIBAM | 116 | 7545 | 1255 | 550 | 8070 | 752 | 122 | 117 | 18527 | 0 | 242 | 18769 | 0 |
| 41 - CHANDEL | 62 | 813 | 2552 | 20040 | 18470 | 82 | 310 | 25 | 42354 | 0 | 21 | 42375 | 0 |
| 42 - TENGNOUPAL | 54 | 2469 | 763 | 20112 | 18012 | 324 | 31 | 38 | 41803 | 0 | 51 | 41854 | 0 |
| 43 - PHUNGYAR | 12 | 2074 | 128 | 24793 | 887 | 352 | 11 | 5 | 28262 | 0 | 11 | 28273 | 0 |
| 44 - UKHRUL | 15 | 1448 | 50 | 33897 | 3297 | 70 | 22 | 7 | 38806 | 0 | 20 | 38826 | 0 |
| 45 - CHINGAI | 14 | 770 | 44 | 38037 | 131 | 53 | 6 | 9 | 39064 | 0 | 24 | 39088 | 0 |
| 46 - SAIKUL | 253 | 1934 | 2047 | 6347 | 21629 | 141 | 121 | 20 | 32492 | 0 | 32 | 32524 | 0 |
| 47 - KARONG | 6 | 1102 | 20 | 46088 | 2482 | 27 | 5 | 5 | 49735 | 0 | 4 | 49739 | 0 |
| 48 - MAO | 12 | 453 | 25 | 50013 | 103 | 54 | 9 | 17 | 50686 | 0 | 27 | 50713 | 0 |
| 49 - TADUBI | 25 | 237 | 472 | 37370 | 6154 | 57 | 16 | 18 | 44349 | 0 | 51 | 44400 | 0 |
| 50 - KANGPOKPI | 56 | 357 | 3365 | 5768 | 15378 | 151 | 59 | 65 | 25199 | 0 | 98 | 25297 | 0 |
| 51 - SAITU | 282 | 1274 | 2854 | 9717 | 25337 | 190 | 100 | 45 | 39799 | 0 | 73 | 39872 | 0 |
| 52 - TAMEI | 32 | 2758 | 332 | 27360 | 4254 | 89 | 14 | 11 | 34850 | 0 | 15 | 34865 | 0 |
| 53 - TAMENGLONG | 21 | 2980 | 23 | 15889 | 8739 | 58 | 7 | 5 | 27722 | 0 | 19 | 27741 | 0 |
| 54 - NUNGBA | 44 | 7562 | 119 | 8807 | 4832 | 74 | 12 | 11 | 21461 | 0 | 20 | 21481 | 0 |
| 55 - TIPAIMUKH | 41 | 6894 | 1839 | 603 | 3383 | 28 | 16 | 25 | 12829 | 0 | 14 | 12843 | 0 |
| 56 - THANLON | 13 | 2504 | 335 | 111 | 12729 | 34 | 35 | 9 | 15770 | 0 | 10 | 15780 | 0 |
| 57 - HENGLEP | 353 | 3373 | 944 | 3277 | 17743 | 65 | 199 | 17 | 25971 | 0 | 53 | 26024 | 0 |
| 58 - CHURACHANDPUR | 157 | 12453 | 1384 | 6267 | 8704 | 93 | 445 | 56 | 29559 | 0 | 140 | 29699 | 0 |
| 59 - SAIKOT | 123 | 9926 | 2380 | 1541 | 30456 | 94 | 409 | 37 | 44966 | 0 | 38 | 45004 | 0 |
| 60 - SINGHAT | 12 | 1796 | 297 | 220 | 21083 | 38 | 248 | 11 | 23705 | 0 | 29 | 23734 | 0 |
| Total | 2145 | 151103 | 30261 | 362707 | 287058 | 12081 | 2879 | 933 | 849167 | 0 | 2668 | 851835 | 0 |
| No. of votes recorded on Postal Ballot papers | 407 | 1407 | 465 | 820 | 2687 | 130 | 108 | 63 | 6087 | 1966 | 107 | 8160 | 0 |
| Grand Total | 2552 | 152510 | 30726 | 363527 | 289745 | 12211 | 2987 | 996 | 855254 | 1966 | 2775 | 859995 | 0 |

## INNTER MANIPUR PARLIAMENTARY CONSTITUENCY

| No. & Name of Assembly Segment | | No. of valid votes cast in favour of | | | | | | | | | | | | Total of Valid Votes | No. of Rejected Votes | None of the Above (NOTA) | Total | No. of Tendered Votes |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Oinam Nabakishore Singh (INC) | Moirangthem Nara Singh (CPI) | Dr. Rajkumar Ranjan Singh (BJP) | R.K. Anand (NEIDP) | Oinam Jugindro Singh (MPP) | Dr. G. Tonsana Sharma (MDPF) | Senjam Nandeshwore Singh (RJSP) | Md. Illiyas Khan (IND) | M. Tomtomshana Nongshaba (IND) | Rajkumar Somendro Singh (Kaiku) (IND) | Wahengbam Pabitra Singh (IND) | | | | | |
| 1 | Khundrakpam | 8739 | 1721 | 7195 | 968 | 34 | 7 | 22 | 20 | 30 | 2260 | 37 | 21033 | 0 | 78 | 21111 | 0 |
| 2 | Heingang | 4526 | 1858 | 20176 | 199 | 17 | 86 | 11 | 6 | 23 | 1165 | 34 | 28101 | 0 | 68 | 28169 | 0 |
| 3 | Khurai | 6446 | 5371 | 8632 | 1228 | 47 | 32 | 31 | 16 | 53 | 4500 | 57 | 26363 | 0 | 120 | 26483 | 0 |
| 4 | Kshetrigao | 9180 | 7598 | 6875 | 315 | 71 | 32 | 16 | 20 | 30 | 3282 | 72 | 27491 | 0 | 74 | 27565 | 0 |
| 5 | Thongju | 4534 | 4764 | 13764 | 462 | 39 | 23 | 12 | 10 | 28 | 3019 | 32 | 26687 | 0 | 84 | 26771 | 0 |
| 6 | Keirao | 10240 | 2460 | 9258 | 363 | 49 | 46 | 19 | 15 | 37 | 1805 | 42 | 24334 | 0 | 67 | 24401 | 0 |
| 7 | Andro | 9835 | 1779 | 16509 | 109 | 14 | 25 | 31 | 18 | 38 | 1188 | 62 | 29608 | 0 | 88 | 29696 | 0 |
| 8 | Lamlai | 5185 | 6775 | 6334 | 348 | 36 | 44 | 71 | 9 | 43 | 3711 | 82 | 22638 | 0 | 81 | 22719 | 0 |
| 9 | Thangmeiband | 5732 | 4224 | 6161 | 375 | 22 | 20 | 48 | 5 | 24 | 3844 | 33 | 19988 | 0 | 76 | 20064 | 0 |
| 10 | Uripok | 3335 | 7032 | 3583 | 640 | 25 | 44 | 10 | 5 | 27 | 2349 | 37 | 17087 | 0 | 69 | 17156 | 0 |
| 11 | Sagolband | 3586 | 4994 | 5358 | 640 | 24 | 11 | 13 | 4 | 17 | 1769 | 20 | 16436 | 0 | 80 | 16516 | 0 |
| 12 | Keishamthong | 5730 | 7693 | 4299 | 678 | 42 | 13 | 10 | 2 | 21 | 2636 | 27 | 20601 | 0 | 89 | 20690 | 1 |
| 13 | Singjamei | 2843 | 5989 | 6161 | 229 | 20 | 7 | 9 | 2 | 10 | 1079 | 16 | 16365 | 0 | 49 | 16414 | 0 |
| 14 | Yaiskul | 4581 | 5529 | 7025 | 563 | 23 | 17 | 7 | 8 | 13 | 1968 | 40 | 19774 | 1 | 105 | 19880 | 1 |
| 15 | Wangkhei | 10773 | 4656 | 7952 | 280 | 25 | 8 | 18 | 20 | 26 | 2372 | 45 | 26175 | 0 | 88 | 26263 | 0 |
| 16 | Sekmai (SC) | 4805 | 2759 | 9139 | 542 | 47 | 134 | 40 | 26 | 58 | 3103 | 86 | 20739 | 0 | 119 | 20858 | 0 |
| 17 | Lamsang | 7629 | 3686 | 11026 | 314 | 24 | 127 | 28 | 11 | 37 | 3306 | 50 | 26238 | 0 | 97 | 26335 | 0 |
| 18 | Konthoujam | 3194 | 3561 | 11322 | 2762 | 37 | 74 | 26 | 9 | 41 | 2478 | 48 | 23552 | 0 | 86 | 23638 | 0 |
| 19 | Patsoi | 9235 | 6937 | 4110 | 2904 | 50 | 41 | 15 | 5 | 33 | 4286 | 59 | 27675 | 0 | 135 | 27810 | 0 |
| 20 | Langthabal | 5705 | 5233 | 8930 | 302 | 53 | 15 | 16 | 11 | 18 | 2334 | 35 | 22652 | 0 | 92 | 22744 | 0 |
| 21 | Naoriya Pakhanglakpa | 7009 | 4884 | 9352 | 2730 | 62 | 64 | 24 | 15 | 40 | 3633 | 50 | 27863 | 0 | 87 | 27950 | 0 |
| 22 | Wangoi | 7874 | 2980 | 8662 | 594 | 416 | 25 | 33 | 44 | 27 | 2805 | 54 | 23514 | 0 | 63 | 23577 | 0 |
| 23 | Mayang Imphal | 10947 | 2362 | 8516 | 470 | 65 | 42 | 17 | 22 | 30 | 1482 | 37 | 23940 | 0 | 75 | 24015 | 0 |
| 24 | Nambol | 12444 | 1756 | 10950 | 155 | 31 | 48 | 8 | 6 | 15 | 1482 | 21 | 26916 | 0 | 61 | 26977 | 0 |
| 25 | Oinam | 3519 | 2909 | 7384 | 3766 | 98 | 79 | 27 | 9 | 19 | 3204 | 37 | 21051 | 0 | 46 | 21097 | 0 |
| 26 | Bishnupur | 9033 | 1964 | 8360 | 546 | 24 | 14 | 17 | 16 | 34 | 3725 | 46 | 23779 | 0 | 96 | 23875 | 0 |
| 27 | Moirang | 12450 | 5311 | 7526 | 346 | 19 | 13 | 25 | 14 | 29 | 1891 | 70 | 27694 | 0 | 72 | 27766 | 0 |
| 28 | Thanga | 3684 | 1214 | 7246 | 648 | 89 | 33 | 16 | 9 | 34 | 2007 | 26 | 15006 | 0 | 50 | 15056 | 0 |
| 29 | Kumbi | 7243 | 2154 | 5328 | 1047 | 58 | 84 | 33 | 23 | 48 | 3870 | 51 | 19939 | 0 | 42 | 19981 | 0 |
| 30 | Lilong | 16333 | 3250 | 5838 | 154 | 130 | 7 | 48 | 68 | 31 | 1318 | 61 | 27238 | 0 | 79 | 27317 | 0 |
| 31 | Thoubal | 16124 | 4027 | 4493 | 41 | 30 | 8 | 19 | 13 | 13 | 687 | 34 | 25489 | 0 | 86 | 25575 | 0 |
| 32 | Wangkhem | 13479 | 5713 | 4338 | 320 | 34 | 22 | 19 | 7 | 33 | 2008 | 64 | 26037 | 0 | 68 | 26105 | 0 |
| Total | | 244972 | 133093 | 261802 | 24938 | 1755 | 1245 | 739 | 468 | 960 | 80566 | 1465 | 752003 | 1 | 2570 | 754574 | 2 |
| No. of votes recorded on Postal ballot papers | | 905 | 720 | 1830 | 72 | 28 | 11 | 8 | 24 | 13 | 1068 | 5 | 4684 | 1155 | 44 | 5883 | 0 |
| Grand Total | | 245877 | 133813 | 263632 | 25010 | 1783 | 1256 | 747 | 492 | 973 | 81634 | 1470 | 756687 | 1156 | 2614 | 760457 | 2 |